WATER PURIFIER FREE
EUREKA FORBES UV
32' LED INTEX TV
180 LT. 3 STAR REFRIG INTEX ₹ 29,500
6.2 KG WASHER
40' LED INTEX TV
190 LT. GODREJ REFRI. ₹ 41,500
1903 INTEX REFRI. FREE
8 KG INTEX WASHER ₹4999
24' LED INTEX TV
REFRIGERATOR 1902 BP ₹ 26,000
6.2 KG WASHER
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL.
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMF.

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# সনালৈবাক

SANALEIBAK

MERRY CHRISTMAS Offer
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 7800
MSV72CL = ₹ 8999
8KG = ₹ 9999
7KG GODREJ = ₹ 11000
REFRIGERATOR
180 L GODREJ ₹ 12500 = ₹ 10500
185 L GODREJ ₹ 13400 = ₹ 11000
190 LT 3 STAR Godz = ₹ 12700
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
50' LED SMART = ₹ 37500
55' SMART LED 4K = ₹ 48000
43' LED FULL HD = ₹ 24000
40' LED = ₹ 21500
32' LED (TV) = ₹ 13600
24' LED (TV) = ₹ 9300
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.



নিঙোন্বম হেমন্তকুমারদা সেরাম মঙ্গী সিংহ মেমোরিয়েল এৱার্ড,২০১৮ (ফোর বেষ্ট নিউস এনালিষ্ট) শিন্নবগী শক্তম



সিভলায়া কন্ষ্ট্রক্সন কো প্রাইভেট লিমিটেদকী শিনঙ্খী অহুম পুলিসনা ফাইলেনকোটতগী কল্লগা পুথোরকপগী শক্তম



মীথোই লৈমা মিংথোল পীখ্রবী বোক্সর এমসি মেরিকোমদা লৈঙাক্না লুপা লাক্ষ ১০গী চ্যেক মনা শীন্নবগী শক্তম

Volumn No: 43 Issue: 16 IMPHAL, WEDNESDAY 12 DECEMBER, 2018 য়ুমশকৈশা, পোইনুগী ৫নি পানবা www.sanaleibak.in RNI Regd. No. 31350/77 PAGE : 8 Price:Rs 3.60

# রাজস্থান,ছটিশগরগী লৈঙাক বিজেপিদগী কংগ্রেসনা মুনখ্রে

## মৈধ্যপ্রদেশতসু কংগ্রেসনা মশীং য়াম্না কারে,টেলঙ্গনাদা টিআরএস,মিজোরামদা এমএনএফকী লৈঙাক লৈরগনি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১১ (এসএনএস)ঃ লোক সভাগী মীখল মাঙওইননা পাঙথোকখিবা ষ্টেট ৫গী মীখলগী ফলদা বিজেপি নীংবা কায়নিংঙাই ওইরে,বিজেপিনা লৈঙাক পায়রম্বা রাজস্থান অমসুং ছটিশগর কংগ্রেসনা মুনখ্রে। এমপি মশীং য়াম্না লৈবা মৈধ্যপ্রদেশসু কংগ্রেসনা মশীং খ্বাইদগী য়াম্না কাবা পার্টি ওইরে।


ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা ফঙবা মীখলগী ট্রেন্না হায়, অপুনবা সিট ১৯৯ লৈবা রাজস্থান লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা কংগ্রেসনা সিট ১০১, বিজেপিনা সিট ৭৩ ফঙলে। লৈঙাক অমা শেম্বদা চঙবা সিট মশীং ১০০দগী হেন্না ফঙবা মরম্না কংগ্রেসগী লৈঙাক লৈরগনি হায়বা য়ারে।

অপুনবা সিট ৯০লৈবা ছটিশগর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিসু কংগ্রেসনা এবসোলুট মেজোরিটি ফঙখ্রে। ষ্টেট অসিদা লৈঙাক অমা শেম্নবগীদমক এমএলএ মশীং ৪৬ লৈফম থোকপদা কংগ্রেসনা সিট ৬৭ ফঙদুনা লৈঙাক পায়রগনি। লৈঙাক পায়রম্বা বিজেপিদি শুপ্নতগী সিট ১৫ ফঙদুনা নীংবা কায়নিংঙাই ওইহৌরে।


অপুনবা সিট ২৩০ লৈবা মৈধ্যপ্রদেশতা পাটি অমত্তনা লৈঙাক শেম্বা য়াবা মশীং শুনা ফঙদ্রি। নুমিদাংৱাই ফাওবদা কংগ্রেসনা সিট ১১৪, বিজেপিনা সিট ১০৯ ফঙলি। বিজেপিগী লৈঙাক শৌগৎকনি হায়না মাঙজৌননা লাউথোকখ্রবা বিএসপিনা সিট ২ অমসুং অতোপ-অতোপ্পাশিং গীনা সিট ৫ দা মাঙজিল থানা লৈরি। ষ্টেট অসিদা লৈঙাক অমা শেম্নবগীদমক এমএলএ মশীং ১১৬ ফঙবা তঙাই ফদে। মশীং অসি য়ৌগদবা কংগ্রেসকী ওইনা সিট মশীং ২ ৱাংলি।

খ্বাইদগী নৌবা লৈবাকসিগী ষ্টেট শেম্বগী থৌদাং লৌখিবা টিআরএসনা টেলঙ্গনাদা অপুনবা সিট ১১৯গী মনুং দা সিট ৮৮ ফঙখ্রে। মমাঙদা অপুনবা সিট ৩৭ ফঙখিবা কংগ্রেসনা সিট ২১ খক্তমক ফঙলে। এমএলএ ৫ লৈরম্বা বিজেপিনা শুপ্নতগী সিট ১ খক্তমক ফঙলে। লৈঙাক শেম্বদা তঙাই ফদনা চঙবা সিট মশীং ৬০দগী শাথীনা হেন্থোক্না ফঙখিবা মরম্না টিআরএসকী লৈঙাক মখা শমথনরগনি ।


মখা লমায় ৬তা























## ৱাখলগী চিঙ্গাক

পূন্সি অসি চাংয়েংশঙ অমনি অদুক্কী মতিক চাংয়েং তৌরিবা মখৈ মদুগী ফল ফঙগনি

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৫ দা

**GOLD PRICE 10G/24K**

DELHI : RUPEES 32,750.00 /-
KOLKATA: RUPEES 32,640.00 /-
BENGALURU: RUPEES 32,525.00 /-

**FOREX (INDIA RUPES)**

US DOLLAR : 1 USD = 71.89474 INR
POUND : 1 GBP = 91.05888 INR
CHINES YUAN: 1 CNY = 10.47909 INR

**পেট্রোল, ডিজলগী মমল**

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৬ .৪৭
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬০.৭৯

## লোইরেদনা

অসোমদা মথং মথং নীংখায়রকপসিদা,লৈবা ঙমদ্রে!



ঐখোয়সু চহী ৫ খাঙবা তারিব্রা!

## হেমন্তকুমারদা সেরাম মঙ্গী মেমোরিয়েল এৱার্ড পীখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১১ (এসএনএস)ঃ ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী নিউজ এডিটর ওইরম্বা সেরাম মঙ্গী সিংহ লৈখিদবগী ৬রক শুবা কুমওন থৌরম ঙসি অকাম্পাৎতা লৈবা ইবুধৌ ৱাংব্রেন খানা চাউবগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী ষ্টেসন ডাইরেক্টর দিলিপ ময়েংবম অমসুং সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট লৈহাওথাবম সরতচন্দ্র শর্ম্মনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইখি।

লৈখিদ্রবা সেরাম মঙ্গী মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা পাউ অসিগী এডিটর নিঙোন্বম হেমন্তকুমারদা সেরাম মঙ্গী সিংহ মেমোরিয়েল এৱার্ড–২০১৮ থৌরমগী চীফ গেষ্টনা খুৎশিন্নখি।

এৱার্ড অসি হেমন্তকুমারনা রেডিও,আইএসটিভি অমসুং ইমপেক্ট টিভিনচিংবদা পাঙথোকপা খন্ন–নৈনবগী থৌরমশিংদা থোইদোক–হেন্দোকপা মথৌ তৌবগীদমক্তা পীখিবনি। এৱার্ড অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন অমা অমসুং লেংয়ান–ফি অমা য়াওরি।

থৌরমগী মরুওইবা ৱারোল পীরদুনা ট্রষ্টকী মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা অমসুং লৈখিদ্রবা সেরাম মঙ্গীগী মচানুপা সেরাম নিকেননা হায়খি, মহাক্কী অপোকপবু নীংশিংবা ওইনা মহাক্কী পামজবা মায়কৈদা চৎপা ঙম্নবগীদমক থৌরম অসি শীনজবনি। মহাক্কী মপাবুঙ হিরম কয়াদা মীয়ামগী থবক তৌরম্বা অশেংবা লুচিংবা অমনি। ঈশৈ শকপা, পুং য়ৈবা,দ্রামা তৌবা য়াওনা লম কয়াদা খুনাই অসিগী থবক তৌরিবশিংগা মহাক্কা মরুপ–মপাং ওইনা লোইরম্মী। এমসুগী জেনরেল সেক্রেটরী

মখা লমায় ৬তা

## মেরি কোমদা লৈঙাক্না *মীথোই লৈমা* মিংথোল পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১১ (এসএনএস)ঃ ঃ ৬লক ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইখ্রবী এম সি মেরি কোমদা মণিপুর লৈঙাক্না ‘মীথোই লৈমা’ মিংথোল পীদুনা ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লাক্ষ ১০, মহাক্কী মিংদা লম্ফেল দিসি ওফিসতগী লাঙ্গোল গেম ভিলেজ তাবা লম্বী অসি থোনলগনি হায়না লাওথোকখ্রে। খুমন লম্পাক স্পোর্ট কমপ্লেক্সকী মেইন ষ্টেদিয়ম, হোকি ষ্টেদিয়মগী ফ্লদ লাইট অমসুং লাংজিং অচৌবা ফুটবোল গ্রাউন্দদা ফুটবোল তর্ফ থানবগীদমক থা অসিগী ১৭ তা উরেপ উয়ুং তঙ্গনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা লাওথোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা এ আই বি এ ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা সনাগী মেদল লৌরকখ্রবী এম সি মেরিকোমবু ওকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মেরি কোমবু ‘মীথোই লৈমা’ মিংথোল পীরে হায়না লাওথোকপগা লোয়ননা মহাক্কী মিংদা লম্বীগী মিং থোনবা অমসুং লুপা লাক্ষ ১০গী চ্যেক মনা অদু খুৎশিন্নখিবনি।


থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, দি সি ওফিসতগী গেম ভিলেজ তাবা লম্বী অদু কেবিনেটনা অয়াবা পীরবা মতুংদা মেরি কোমগী মীং দা থোনলগনি।

মণিপুরীশিংগী তোঙানবা হৈশিংবা ময়াম মীয়াম্না ফোঙদোক্নখ্রে। চাউখ্রবা লৈবাক অসিগী মী ক্রোর ১২০–১৩০ রোম লৈবা অসিগী অচৌবা ষ্টেটশীংদা পীদনা অমত্তা ঙায়রবা নেসনেল স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি মণিপুরদা পী এমনা করিগী পিরিবনো খঙনরবনি।

প্রসিদেন্ট রামনাঠ কোবিন্দনা মণিপুরদা লাকপা মতমদা ষ্টেট অসিবু স্পোর্ট কেপিটেল সিটি ওফ ইন্দিয়া হায়না মীংথোন পীখিবা অসি লমদম অসিগী শান্নরোইশীংনা স্পোর্টতা পীরিবা খুদোল অদুদগীনি।

ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খুমন লম্পাক স্পোর্ট কমপ্লেক্সকী মেইন ষ্টেদিয়ম অসিগী ওইনা লুপা ক্রোর ২০.২৮ চংনা পায়খৎকদবা ফ্লদ লাইট প্রোজেক্ট, লুপা ক্রোর ১৫.০৩ চংনা পায়খৎকদবা হোকি ষ্টেদিয়মগী ফ্লদ লাইট থান্নবগী প্রোজেক্ট অমসুং লুপা ক্রোর ১০.১৪ চংনা লাংজিং

মখা লমায় ৬তা





সনালৈবাক্কী মরুওইবা টেলিফোন নম্বরশিংঃ ঈ–পাউ পীবিনীংবশিংনা 7005576312দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9958998160/9856429698দা, গ্যাস অমদি ওফিসকীনা 9402247588দা পাউ পীবিবা য়াগনি